# ‘মণিপুর থুগাইবা পান্বশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**

হন্দক মরক্কী নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংগী তৌথোরক্লিবা এক্সন মওং হায়বদি মখোয়গী মায়কৈদগী নোংমৈ, বোম কাপথোরক্লিবা অসি য়েংলুরগদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরদা ‘শান্তি হঞ্জিল্লক্লে, শান্তি হঞ্জিল্লক্লে’ হায়না তত্তনা হায়বদু হায়রক্কদবা মান্দে। মসিদা হায়রবদি হায়রবা হায়বদুনি। তশেংনমক্লি ইমা লৈবাক মণিপুরসি ৱাবদি ফনা ৱারেকো। হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দগী নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনবা লান খান্বীনবা য়াওদনা চথরকপনা চহী অমা হায়বদো ফারক্লে খঙহৌদে। চহী অমা খঙহৌদে। অদুগা অসুম্না কয়াম কুইনা লৈখিগনি হায়বসু তম্বা ঙমদে। মরমদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লানসি লোইশিন্নবা অকনবা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। মতাংসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা করি থৌদাং লৌরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নার্কো কুকি জৌ লাকশিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে হায়বা নত্তনা করি হায়রুনি।

লিশাং শিংনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিদা কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈরি। মণিপুরগী লান অসিবু করিসু থৌওইদনা খল্লি হায়বদা করিসু লাল্লোই। মালেমগী সুপর পৱারগী লমজেলদা য়াওরিবা ইন্দিয়ানা কুকি জৌ টেররিষ্ট খরবু লাকশিনগে হায়না লাকশিনবদা চয়োল অমা ফানা চঙগদবা নত্তে। অদুবু তৌদে য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইমিন্নরিবশিংগী মরক্তা ফাওবা মণিপুরগী লানগী মতাংদা মানা মানা থোকপা পঙাঙদা ঙাঙনখি। রাজনাথনা অমা হায়, কিরেন রিজিজুনা অমা হায়, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অমা হায় তৌদুনা লৈ। অদুবু মখোয়গী মতমসু লোইরে। সেন্টরদা করম্বা পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্কদৌরিবনো হায়বা ঙমদ্রি। ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা লুচিংবা পোলিটিকেল পার্টি খরগা চুংশিন্নবা ব্লোকনা লৈঙাক পায়গদৌরিব্রা, বি জে পিনা লুচিংবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী চুংশিন্নবা এন দি এনা লৈঙাক পায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা অতোপ্পা থর্দ ফ্রন্ট অমা লাক্কদৌরিব্রা মদুমদি থাজদ্রে। মথক্কী অনীসিগী মরক্তা অমদি ওইরনি। ইন্দিয়াসিসু অঙকপদি অঙকপনি। মল্টি পার্টি সিষ্টমনিদি হায়রগা পোলিটিকেল পার্টি মচা মচাশিংসি অচৌবশিংনা ময়া লাউনা লাউনা কাথোক্তুনা উমশিনখি। দেমোক্রেসিনি হায়রগা কেপিটেলিজমদা বেজ তৌবা করপসননা হারবা লৈবাক অমা ওইরক্লি। মীচম মীয়ামগী মরক্তা লায়রবা অমসুং ইনাকখুনবগী পূন্সি মহিংসি অসুক্কী মতিক খেন্নরক্লি। ‘সনাগী মরূম কোকপী উচেক’ নি হায়নরম্বা ভারতবর্ষ ঙসিনা করি করম্বা মরূম কোক্লি হায়দোইনো।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরগী ইস্যুসি করিসু থৌওইনা লূম্না লৌদে হায়দুনা। মমাঙ চহীদা লানগী মৈরি কন্না মৈৱাইরকপা মতমদা নুমিৎ ৩নি লৈরম্লগা অমুক লাক্কে হায়রগা লাকখিদবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল মাঙওইননা পুং খরগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লম্মী। সনা লৈবাক মণিপুর কুম্মৈ ৱাৎতে য়েংবীনবা মীসু ৱাৎতে। অমিট শাহবু ওকপা থোরকপা মীগী মশীংসু ৱাৎতে। য়াম্না নোক্লিংখিবা ভাইরেল ভিদিও অমা উখি মমাঙগী কুমজা ২০২২গী মণিপুর বিধান সভাগী মীখলদা তেঙ্গে মার্কাগী অশাংবা লেংয়ানফি য়ানখিবী মৌনহা অমনা থন্বাল মার্কাগী লেংয়ানফি অমা য়াল্লগা হায়খি, পার্টিসি য়াম্না কুইনা য়াওজরকপগী পার্টিসি নুংশিদুনা অমিট শাহ ওকপা লাকচবনি হায়দুনা। য়েংববু হৈরদি কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তনি। থোংববু হৈরদি ময়ান ময়ান মনা মশিং থোংজিল্লবসু পঙহাউদা হাউই হায়দুনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলবু হায়গদরা মীৎয়েং শান্না উবা ঙমদবা হায়গদরা অৱা অনা শরুক য়ামিন্নদুনা পান্দম অমগী মখাদা চঙশিনমিন্নরম্বা লৈবাক্কী ওইবা খোঙজং কয়া পন্থুং য়ৌদ্রিঙৈদা য়াম্না লায়না মফাং মফাং চৎনখিবা অপূনবগী শক্তি মচেৎ তানা কাইখিবা কয়া ঐখোয়না ইরমদমসিদা হেক হেক উরি। পান্দমদি পান্দম ওইদুনা অদুমক লৈহৌবা মদুবু ফংনবদি হোৎনখিদবা কয়া অসিনা অচুম্বগীদমক্তা খোঙজং চঙশিঞ্জরিবা লৈবাক্কীদমক্তা থম্মোয় শেংনা হোৎনজরিবশিংদা অকনবা চৈথেংদি পীদুনা লৈহৌই। অমুকসু শেলনা ঙমদবা লৈতে হায়দুনা শেলয়াম থাদবা ঙম্বা কাঙবুশিংনা শেল থাদরক্তুনা পুল্লম্বা মীয়াম্বু মচেৎ মচেৎ তাহনবনি। অদুবু মীয়াম্না কাউরোইদবদি ঐখোয় মীতৈ মীচম মীয়ামগী পূন্সি অদু লৈতাদ্রি, য়েলহৌমী মীতৈশিং মরমদমদা লাঞ্জেন্নরি। অসিগুম্বা অৱাবা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মহিং অসিদা কয়াম কুইনা লৈখিগনি। মসিবু কোকহনবনা পূন্নমক্কী পান্দমনি। মদু ফংনবা হোৎনগদবনি হায়বসিনি।

অফবা লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগী নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা পুরকই। মালেমগী ফাওরবা সোসল থিঙ্করশিংনা দেমোক্রেসিনা খ্বাইদগী ফরবা লৈঙাক্লোননি হায়রিবনি। মালেমসিদা দেমোক্রেসি লাক্লবা হোৎনখিবগী শাংলবা হিষ্ট্রি লৈরি। নিংথৌ শাসন্দগী মীয়ামগী শাসন লাক্লবা হোৎনখিবদা মতম কয়া চঙখিবনি। অদুগুম্বা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈঙাকচরিবা ভারতবর্ষদা ওটোক্রেটিক রুল অমগী মওংদা লাক্লি। মসি মীয়াম পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি। অমুকসু লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল ওইরিবা মহাক্লা অচৌ পিশক খাইদনা লৈরিবা ষ্টেট পূন্নমক্তা মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংগদবনি। মদু ঙসি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা ওইরিব্রা। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী শক্তি পূম্বা এক্সর্সাইজ তৌরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা থোক্লিবা লানগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদবা, শাংলবা চহী অমসিগী মনুংদা নোংমা ফাওবা লাক্তবসিবু হৌনরিব্রা? মসি তৌফম থোক্তবা মতৌনি। মণিপুর অসি ভারতবর্ষগী শরুক অমা নত্তবগী মীৎয়েংনি মহাক্লা য়েংলিবসি। মসিবু হায়মনবা থোক্লিবরনে। অমুক্তং নৈনবীয়ু মীয়াম্না। রামগী, শ্রী প্রভু রামচন্দ্রগী মীতম শাবদা থাদরিবা কোক্তু মরিপুরদা থোক্লিবা লান অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা খজিক্তং থাদবীরবদি মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না বি জে পিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাকপু কয়া পেঞ্জগদবনো। মীচম মীয়াম্না য়ারবা পেল্লগদবু করিগী অমুক ভোট খোম্নরুখিগদগে। দবল ইঞ্জিনগী ইঞ্জিন মচাগী কাঙবুনা ইঞ্জিন অচৌবগী কাঙবুদা করিমত্তা হায়বা ঙমজখিদবসিদনি মীচম মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরিবা, থম্মোয়নুংদা ইপেন পেঞ্জদ্রিবসি।

মীচম মীয়ামগী পূন্সি ৱাদুনতা লাক্লি হৌজিকসু অমুক হায়ফম খঙদনা করম্বা মতমদা লোইগদগে খঙদনা ৱারি। মণিপুরী খুন্নাই পিরামিদ টাইপ ওফ সোসাইটিনি। নুংঙাইবা খুজোক খরনা নুংঙাইরগা মীচম মীয়াম কয়ানা লৈবাকসিগী শক্তম ওইদুনা ৱাদুনতা লৈবা অদুগুম্বা খুন্নাইনি। অমুকসু তম্পাক্তা লৈরিবা ঐখোয় মীতৈশিং অচৌবা জেল অমগী মনুংদা লৈবগা পাঙ্খক ওইরি। ইম্ফাল ময়োলদগী হাইদোকখিবদা অতৈদি খরবু লাপ্না চৎলি হায়বা য়াই। অৱাং লোমদা অৱাং সেকমাইদগী হাইগৎপা ঙমদ্রিবসিনি। মসিগী ফীভমসিদা কয়াম কুইননো মীতৈশিংনা হিংগদবা পূন্সি মহিংসিবো। খল্লুবদা মম্মী। নেসনল হায়ৱেশিংদা তৌরিবা লুট পাৎকী থবকশিং, নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা গাড়ীশিংদা নোংমৈ কাপ্নীংবা মতমদা কাপশিনবা, অঙকপগী তাইবঙপান অমদনি ঐখোয়না ঙসি লৈরিবসি। মসিদা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী শান্নবুংগী ফম্বাক্তা মীকোক থোংবা ওইদুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লি। ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লিবা ইন্দিয়ন ক্রোর ১৩৫গী মায় ঙাক্লিবা মণিপুরগী মীতৈগী অৱাবদি ইন্দিয়নশিংনা খঙবীদনা লৈরি। অদুগা অমুক ইন্দিয়াগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক নেচরেল কেলামিটিবু ওইরো, বসকী, রেল গাড়ীগী এক্সিদেন্টদা মী শিবগীবু ওইরো, তুরেলদা হিরাক্লদুনা শিবগীবু ওইরো ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা, প্রসিদেন্টনা, হোম মিনিষ্টরনা পন্থদনা অৱাবা ফোঙদোকই। অৱাবা নংলিবা ইমুংশিংদা মতেং পাংই। ইরমদম মণিপুরসিদনা য়েংলিবা মীৎয়েংসিনা করিনো ৱাখল তাশিল্লক্ত্রে। মণিপুরদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ত্রাইবেল সোলিদরিটি উৎপগী মিংদা নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লান ঙসিসু লোইদ্রি হায়বসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা পুমকাউ কাউরমগদবা মাল্লি। মসি মখোয়না তৌথোরকখিবা মওং মতৌদুনা হায়বনি।

লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়দনবা হোৎনজদুনা লাকখিবা মীতৈশিংনি। ঙসিসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা লেপ্লি। পীক্লবা চীং লৈবাক্কী মণিপুর অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ ৩৫ অসি পুল্লপ নুংশিননা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না হিংমিন্নবা মীতৈশিংনা পাম্মী। ঙসি মীতৈশিংনা অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না লাউরিবা, চঙশিল্লিবা খোঙজং মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্কী য়াইফনবা অপূনবগী পাঙ্গল অদু মালেমদা উৎননবনি। অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্ননবা হোৎনবদা ফূরুপ খুদিংমক্কী পূকচেল শেংবা অমসুং মতেং চঙই। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইগে খল্লিবশিংগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা থৌনা ফনা লেপমিন্নসি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৯**

১) **“মণিপুরী গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অমসুং তিন প্রভু”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **“মীৎকূপ খরদং”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) **“মচাথোই অমসুং লাইচনুরা”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“এফোরেসন ওফমাদর”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অমদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবা, করি মমিং কৌবা লাইরিক্লো অমসুং কনানা হন্দোকপগে?

৫) **“অদ-তাইয়ে!”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) সোরোখাইবম ব্রোজেন্দ্রো, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (২,৪,৫)
২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৪) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোংনাংমখোঙ - (২,৩,৪,৫)
***৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪,৫)
৭) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৮৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮গী পাউখুম**

১) **“রাজা ভোজ অমসুং কালিদাসকী ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. এম অচৌবী শাস্ত্রী, অহানবা ফোঙবা - জুলাই ২০১৮।**

২) **“য়েকখ্রবা ময়ি”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - এম এম অহমদ, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা খূৎনম : ওক্টোবর, ২০২১।**

৩) **“ঐগী ঈশৈ নঙগী শুর”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা- থৌনাওজম সামো সিংহ, লাইরিক্কী মখল - ঈশৈগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : ওক্টোবর, ২০১২।**

৪) **“ফিদম”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা অহুম (ক) খ্বাইরাকপম চাউবা (খ) এল লালবাবু সিংহ (গ) ইবোপিশক লুৱাংনা লাইরিক মমিং অসিমক্তদা মান্নদবা চহীশিংদা ইদুনা ফোঙখি।**

৫) **“তাবুনুংগী লীক্লুপরেং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো? **:- লাইরিক্কী মখল - রেদিও প্লে, অইবা - খ্বাইরাকপম সুনিতা, অহানবা ফোঙবা : জুন ২০২২।**

# ‘কংলৈপাক্কী শন্নপ্পা পূন্সি ৱারী’ - (২)

**- ফৌগৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ -**
হোজাই (আসাম)

মহারাজ খাগেম্বনা মপান্দগী লান্দারকপা খুদিংমক মায়োক্লদুনা মণিপুরবু ঙাক শেন্দুনা মরা তপ্না পাল্লম্মী। অদুগা মহাক্লা মীতৈ অমসুং নাগাগা খৎন-চৈনবশিং ফনবগীদমক চিনদগী কুকিশিংবু পুরক্তুনা চীংদা লৈহনখি। মরম অসিদগী মীতৈ অমসুং নাগাগা খৎন-চৈনবগী ঈরাংসু নেমথরম্মী। অসিতসু নত্তনা মহাক্কী মচানুপা চরাইরোংববুসু নাগাগী রাজকুমারী নুংথিলচাইবীগা লুহোংবীখি। অসুম্না খাগেম্বগী হৈ শিংলবা থৌইনশিন্দগী নাগা অমসুং মীতৈগা নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরম্মী। অদুনা খাগেম্বগী মতমদদি মণিপুর অসি গোল্ডন পেরিয়দ অমনি হায়না খঙনখি।

খাগেম্বগী মতুংদা মচানুপা চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইখি। অদুগা মতম অদুগী মতুংইন্না হায়নবা লৈ মহারানিদগী হেনবা অতোপ্পা রানিনা পোকপা মচানুপা হাৎতোকপগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। মরমদি নিংথৌ ফম্বালগীদমক খৎন-চৈনবা থোক্তনবগীদমক্লি। নুংথিলচাইবী চরাইরোংবগী অনীশুবা রানীনি। মহাক্লা মচানুপা অমা পোকখি, অঙাং অদুগী মিংনা পামহৈবা হায়না কৌই। অঙাং অসি পোকপগা নুংথিলচাইবীনা মপাগী নাক্তা থৈদোক্তুনা থমখি। অসোমদনা চরাইরোংবগী মহারানি অহলনা পামহৈববু থিদুনা হাৎনবগী লান্মীশিং থারম্মী। লান্মীশিংনা থিবমখৈ থিরবসু পামহৈববু হাৎপা ঙমখিদে। মহারানি অহলদি মচা অমত্তা য়াওখিদে। অসুম্না চহী কয়া হৌখিদুনা চরাইরোংবনা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা কনানা নিংথৌ ওইহৌনি হায়বগী ৱাখলদা অৱাবা অমা ওইরম্মী। অমরোমদনা পামহৈবা নোংমা নোংমগী চাওরক্তুনা শারেপ ফারক্লে। চরাইরোংবগী অৱাবা অদু উবদা নুংথিলচাইবীনা পামহৈবদি হিংলি হায়না পাউদম্বীরম্মী। মদুদগী নিংথৌনা হরাওনা পামহৈববু থিদুনা পুরক্লগা কংলৈপাক্কী নিংথৌ হাপ্লম্মী।

মতম অদুগী ১৮শুবা শতাব্দিদা বেঙ্গলদগী সাধু সন্ত খরা লাক্তুনা পামহৈবগী দরবারদা থুংলখি। মখোয় অদুদি শান্তিদাস অধিকারি অমসুং গোপালদাস হায়না খঙনৈ। মখোয়বু উনখিবদগী পামহৈবনা হিন্দু ধর্ম্ম লাইনীংবু লৌনীংবগী ৱাখল পোক্লকখি লোয়ননা মীতৈ মীয়ামসু পামহৈবগী তুং ইন্দুনা সনামহী লাইনীং থাদোক্তুনা হিন্দু ধর্ম্মদা চঙশিনখি। মতমদুদগী হৌনা পামহৈবগী মিংনা গোপাল অদুগা কংলৈপাক্কী মিংনা মণিপুর হায়না খঙনখি। ৱাফম অসি শান্তিদাস অমসুং গোপালদাস অনীগী মতুংইন্না ওইখিবনি। অদুগা ঈরাৎ থৌরম তৌনবগীদমক কংলাগী মনাক্তা গোবিন্দগী লাইশঙসু লিংখৎখি।

পামহৈবা য়াম্না পূক্নিং চঙবা বিষ্ণুগী ভক্তা ওইবতা নত্তনা মীচম মীয়াম্বুসু নুংশি চানবা অমদি লায়রবশিংবুসু নীংজবা থম্মোয় শেংবা নিংথৌ অমা ওইরম্মী। মদুশিংদো উরুবদা বেঙ্গলদগী লাকপা লল্লোনবশিংনা পামহৈববু গরিব নৱাজ হায়না মিংথোনবীখি। মিংথোন অসি পামহৈবনা পূক্নিং খোইদানা পামজনা লৌখি। অসুম্না পামহৈববু গরিব নৱাজ হায়না খঙনখি। মহাক্লা বর্ম্মাগী নিংথৌদা মচননুপীবু থাজখি লোয়ননা মচননুপীবু চেকশিন্না নুংঙাইনা পাননবগীদমক বর্ম্মাবু খুদুম চন্দুনা থমখি। অদুবু মচননুপীবু থাজখিবগী তুংদা বর্ম্মাগী নিংথৌনা থৌওইবিখিদবা অমসুং ৱানা লৈবা উরুবদা গরিব নৱাজনা বর্ম্মাগী নিংথৌদা লান্দাখি। মথংদা গরিব নৱাজনা বর্ম্মাগী তুংদা চিনবুসু খুদুম চন্দুনা থমখি। মরম অদুনা লৈবাক অনীমক নিংথৌ অমগী লুচিং মখাদা লৈরম্মী। মরকসিদা কুকিনা খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুরদা লাক্তুনা চীংদা খুন্দারকখি।

গরিব নৱাজগী মতমদা বর্ম্মাগা তোয়না লান্থেংনখি। অদুবু গরিব নৱাজগী হৈশিংবা অমদি খূৎকন পাঙ্গনবা বর্ম্মানা কৈদৌনুংদা মায়থীবা পীবা ঙমখিদে। অদুগা গরিব নৱাজগী তুংদা লাকখিবা মীতৈ নিংথৌশিংনা মশা মশাগী মিংবু হিন্দিদা মিংথোনবা হৌরক্তুনা মিংগা লোয়ননা সিংহ হাপ্লবা হৌরকখি অমসুং গরিব নৱাজগী মচানুপা ভাগ্যচন্দ্রনা মণিপুরদা রাস লীলা পুরকখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা মালেমসিদা মীতৈগী রাস লীলা হায়না খঙনরি। পুৱারীগী মতুংইন্নদি ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতমদা বর্ম্মানা অকনবা লান্মীগা লোয়ননা মণিপুরদা লান্দারকখি। মদুদা ভাগ্যচন্দ্রনা বৃটিশকী মতেং লৌদুনা বর্ম্মাগা লান্থেংনবদা লান্দা ঙমখি।

হীরম অসিনা মরু ওইরগা বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিগা মরুপ ওইনখি। মতমদুদগী হৌনা বৃটিশনা খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়াদা খোঙদাবা হৌরকখি অমসুং অচেৎপা মরী থমদুনা মণিপুরবু মখূৎ চননবা হোৎনরকখিবতা নত্তনা মণিপুরগুম্বা লৈবাক অমা মথৌ তারম্মী। মখোয়দি ৱাখল লৌশিং চাউবা মীনি।

১৯শুবা শতাব্দিদা মণিপুরগা য়ূমথংননা লৈবা অহোম রাজ্যগী মন্ত্রিনা বর্ম্মাগী নিংথৌদা চেরোল অমা থারকখি। মতাং অসিদা অহোম রাজ্য অমদি বর্ম্মাগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমদি থোকখিবা ৱাথোক লান্থোক কয়াগী ৱারীসু লৈরি। অদুগা বর্ম্মানা অহোম রাজ্যগী মথক্তা তমথীরবা ঈহৌ অমা হৌদুনা অহোম রাজ্যবু খুদুম চনখিবগা লোয়ননা বেঙ্গল, জয়ন্তিয়া অমসুং মণিপুরবুসু অৱাবা তাখি। হায়রিবা রাজ্যশিং অসি বৃটিশকী লুচিং মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা তমথীরবা ঈহৌ অসিবু করম্না নেমথহনগদগে হায়না বৃটিশনা খন্নদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জাদুদা গম্ভীর সিংহনা থারকপা অপূনবা পুরক্লবগী চেরোল অমা থেংনখি। অদুগা অহোম রাজ্যবু বর্ম্মানা খুদুম চল্লবগী তুংদা মণিপুরদা চঙশিল্লকখি। মসিদা গম্ভীর সিংহনা ইংরেজগী মতেং লৌখি। ইংরেজনসু হরাওনা য়াবিরকখি।

বৃটিশনা ইন্দিয়ন আর্মিগা লোয়ননা মণিপুরগী লান্মী ৫০০গা পূল্লগা বর্ম্মাগী মায়োক্তা লান্দাখি। অদুনা হায়রিবা মতাং অসি পুৱারীগী অহানবা এঙলো বর্ম্মিজ ৱার হায়না খঙনখি। অসুম্না চহী অনী লান্থেংনরবগী তুংদা বর্ম্মাবু বৃটিশনা মায়থীবা পীদুনা খুদুম চনখি। অদুগা বৃটিশনা লৌশিং শান্নদুনা গম্ভীর সিংহবু নিংথৌ ওইহনবগা লোয়ননা ইংরেজগী এজেন্ট অমসু এপোইন্ট তৌহনখি। অসুম্না গম্ভীর সিংহবু বৃটিশনা লাইথিবীগুম্না শীজিন্নদুনা লৈখিবগা লোয়ননা মণিপুরবু মতম শাংনা বৃটিশকী লুচিং মখাদা মরা তপ্না পাল্লম্মী। বৃটিশকী ওফিসরশিংনা মণিপুরদা পোলো শান্ননবা তম্বা লাকখি। ইংরেজনা পোলো হায়না মিংথোনখিবা শগোল কাংজৈ অসি ঙসি ফাওবা মালেমসিদা শিন্থুংখিদুনা দেশ ৭৭তা শান্নরি। চহী ৫০০দগী শগোল কাংজৈ অসি শান্নরকখিবনি হায়না পুৱারীনা তাকই। মহারাজ খাগেম্বসু শগোল কাংজৈগী শীংথানীংঙাই ওইরিবা শান্নরোয় অমা ওইরম্মী হায়না থেংনজে। ●

# করি থোক্লগবা ঙাইবা...

লমায় ৪গী মখা...অপান্বা মীরেপ্তা ঐগী ভোট পীনবগী সংবিধান্না পীবা রাইটতুবু তোম্বগীদু চাউবগীদু সোইবমগী চাউবনা লোইনা নমখ্রে হায়বসিদি মীখল পাঙথোক্লবা লাক্লিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থারক্লিবা পোল্লিং টিমদু শক্তি পীদুনা কাঙলোন চুম্না মথৌ তৌহনবা অমা চঙই। শিন্নরিবা মথৌ শেংলবা য়ুনিফোর্ম মপুঙ ঙাকহনবা তঙাইফদে। মীনেক শেলনেক কয়ানা চুরানথাবা শাবশিং য়ারিবমখৈ চাং হন্থহনবা অমা চঙই। নত্তদুনা পোল্লিং পার্টিগী শিন্নরিবা মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমদ্রবা সিক্যুরিটি ফোর্স খুদিংমক মখূৎ ফাজিনবগী থবক্তি মখা তানা মীয়ামদা উহন্দবা ফৈ।

ঐনা পামজবা মীরেপ্তা ঐনা ভোট পীবা ঙমদ্রবদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। ঐখোয় মীওইবনি, মালেম পৃথ্বীগী মফম উনবা, খঙনবা হোৎনবা মতমদা লাইরিক লাইশু হৈদুনা লৌশিং জ্ঞান তানশিন্নরি, লাইরিক হৈরগা মীয়াম্না য়াবা, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরকপদুবু মীয়াম্না ঙাইরিবনি, য়েংলিবনি অমসুং উরিবনি। মসিগী ওন্না তৈনবদা শক্তি পায়বা খরগী মরুমদা থুপ্পগা নৎত্রগা শক্তি খূৎতা পায়রিঙৈদা শক্তিবু লান্না লান্না শীজিন্নদুনা মীয়ামগী চাকথুং মৎপা, হক মৎপা, শেলবু লৈরবদি পূম্নমক য়ারে খনবদি মখা তাহন্নীংদে।

হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখলদা শক্তি মুন্নবা নত্তে, মীয়ামগী থৌগল তৌগদৌবা হিষ্টোরিকেল বেকগ্রাউন্দ লৈবা, জিও পোলিটিক্স মমুৎ তানা খঙবা মী খন্দুনা চহী লিশীং ২/৩ হেনবগী মশাগী পুৱারী লৈজবা মণিপুরবু লৈচিল নোংফাই থাংহন্নবা হোৎনবা খুদিংমক কোকথোক চামথোকহনসি হায়বা মতমদা মণিপুর ইমাগী অশেংবা মপারি খঞ্জনবগী তাঞ্জা লৌনবা হোৎনবনি। হায়নবা তাই মণিপুর কায়নবা হোৎনবগা মণিপুর কন্নবা কাঙবুগা অনীগী লাননি হায়খি মদুদি খুদিংমক্লা চিনফা পুরবা ৱাফমনি। মণিপুর কায়হনবা পান্বা মীদি মণিপুরী ওইরম্লোই, মণিপুর কনবা পান্বা মীদি মণিপুরগী চাদা নাওদা ওইফম থোকই। মণিপুর মফম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীনি, কনাগীসু নত্তে। শেল থুম পীদুনা ঐগী ঐগী চহী মঙা-মঙাগী অমুক অমুক লাকপা অধিকারবু য়োল্হোকপা তৌহৈদনা থবক্লি। ঐগী লৈবাক্কী মীহূৎ খঙবদা তরেৎ শেঙ্গা লৌরিবদু অচৌবা অরানবনি।

অমরোমদনা মী মীদুনা মাগী মাগী অপান্বা মী খঞ্জরগা মাগী মাগী ভোট থাদজগদৌবদুবু মীওই খরনা শক্তিনা মীগী হক মৎপা হায়বসি য়াম্না অরানবনি। মখা তানা তৌদনবা ইলেক্সন কম্মিসননসু শিনবীয়ু। ঐখোয় মশেল মরক্তসু মীনা মীগী হক মৎপীগনু। শা পূম্নমক্কী নিংথৌ নোংশা পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা মঙম শাল্লক্তুবা মতমদা লমহুইনা লাক্লবীদুনা মমৈ চিং চিংদুনা শান্নবনি। পাঙ্গল ফরিভৈদা মীনা মীগী মতেং পাংবা ফজবা ৱাহৈ ফজবা লমচৎ মীনা মীগী থম্মোয়বু হরাওহনবা, নুংঙাইহনবা মদুনা হয়েং অহল ওইরবা মতমদা পূক্নিং শান্তি ফংগনি। নোংশানা শা পূম্নমক মচীঙাক ওইনা শীজিন্নখিবনা মপাঙ্গল মথৌনা লৈত্রবা মতমদা লমহুইনা মমৈ চিক্লগা চিংদুনা শান্নরকপা অঙকপা নত্তে।

মথং-মথং পাঙথোক্লগা জুন ৪, ২০২৪দদি শোয়দনা মীয়ামগী মীহুৎকী মশেক মঙাল য়ৌরকপদু করি থোক্লগা ঙাইবা তাই। মণিপুরগী হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী থা ১১ হেন্না মীশি মীনা, মৈহৌ লাংপোক থোকপদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চথোক চৎশিন য়াদবা পূম্নমক কোকপা ওইদুনা কুমজা ২০১৪/১৫দা লৈরম্বা মণিপুর লাকপা/হল্লকপা ওইরসনু।

-রানাপ্রতাপ য়ুম্নাম

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।